মীতৈশিংনা মশাগী মরমদা মফম চাবা য়েংলগা খুন্দাবদা লৈঙাক্লা অপনবা পীবীগনু ঃ আই দি এম

ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচ এন এস) : মপা-মপু মশক খঙদবা কুকিশিংনা লোগী ৱাংমদা মনিং তম্না খুন্দাবদা করিসু হায়দ্রগা মীতৈশিংনা মশাগী মরমদা মফম চাবা য়েংদুনা খুন্দাবদা লৈঙাক্লা অপনবা পীবীগনু হায়না ইন্দিজেনস দেভলপমেন্ট মিসন (আই দি এম) গী মাইকৈদগী ফোঙদোরক্লি।

মমাং চহীগী মে ৩ দগী ঙসি ফাওবা কুকিশিংনা মীতৈশিংদা চত্থরক্লিবা লান অসিদা মীতৈগী য়ুম অমদি লন-থুম কয়া মাঙহনবগা লোয়ননা পূন্সি কয়াসু মাঙহনবীখ্রে। লেপ্তুনা চত্থরক্লিবা লান অসিনা মরম ওইরগা থা ১১ ৱাইশিল্লক্লবা ফাওবদা তংদু লৈতানা লৈবা ঙমদনা অৱাবা মায়োক্লরি।

চীংগী অমদি তম্পাক্কী মফম কয়াদা মীতৈ ফুরুপনা খুন্দাদুনা লৈরকখিবনি। অদুবু মতমগী অহোংবা কয়ানা মীতৈশিংগী খুন্দা লৈতাবা অমদি খুল শেন্থগী থবক্তা হৌজিক্তি অহোংবা কয়া লাক্লে। চীংদা খুন্দা লৈতাদুনা মীতৈশিংনা লৈরকই হায়বগী খুদম অমা ওইদুনা লৈরিবা ক্বাথা খুনৌবু ঙৱাং ইখঙ খঙহৌদনা কুকিশিংনা য়ুম কয়া মৈ থাদুনা পুৱারীবু মাঙহন্নবা হোৎনরকখ্রে। পুৱারী লৈজদবা মশাগী হৌরকফম খঙজদবা কুকি কাংলুপশিংনা শাংলবা মতমদগী মীতৈগী লমদা হুরান লান্নাদা চংলক্তুনা ময়ুম শাজিন্দুনা খুন্দাখি। মসিদা মীতৈশিংনা মীনুংশি উৎতুনা মখোয়না তৌবা থবক্তা থোইনা খন্দনা লৈরকপা অদুনা ঙসিদি থোকহন্নিংদবা থৌদোক কয়া থোরক্তুনা অৱাবা মায়োক্লরিবনি।

মীতৈগী খুল কয়া মৈ থাদুনা মীতৈশিংবু মাঙহন্দুনা মখোয়না খুন্দানবা হোৎনরক্লি। কুকি খুৎলাই পায়বশিংনা নম্ফুদা নমলৌ লৌশিন্দুনা মীতৈগী মফম কয়া খুন্দাশিল্লন্থা, মফম কয়া তকথোক্তুনা ময়ুম মকৈ লৈজদ্রবা রিফ্যুজি অমগুম লৈরিবা মীতৈশিংবু খুন্দা লৈতানবা লমদম অসিগী অঙম-অথৌশিংনা শিনবীয়ু।

মীতৈ ঐখোয়সু ঙসিদি নিংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী ইপা-ইপুশিংনা লমদম অসিগী মফম কয়াদা খুন্থোক খুনশেমদুনা পাল্লন্থগী মতৌ অদু লৌদুনা মীতৈশিংগী মফম হেন্না পাকথোক চাওথোক্লবা থৌশিল থৌদা কয়া পাঙথোকপা মথৌ তারে। চত্থরক্লিবা কুকিশিংগী তমথিরবা মীহাৎ মীপুন য়াওবা লান অসি খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ খুদিংমক্লা মায়োক্লদুনা লমদম অসিগী ঙমখে অমদি অপুনবগী শক্তম কনমিন্নসি হায়রি।

মীতৈ ফুরুপনসু ঐখোয়গী শক্তম ইফুরুপ অসি মাঙদনবা হোৎনবদা নত্তনা মালেমদা মীতৈ ফুরুপ অমা লৈরি হায়না ঐখোয় পুন্নমক্লা তাক্লসি। পাল্লিবা লৈঙাক অসিনসু মীতৈশিংনা লমদম অসিদা হাইনা হুন্না পাল্লন্থগুম্না মফম চাবা য়েংদুনা খুন্দা লৈতাহনবদা লৈঙাক্লা অথিংবা পীরোইদবনি হায়রি।

হেরিকোননা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচ এন এস) : ইথনো হেরিটেজ কাউন্সিল (হেরিকোন) অমদি চিঙ্খেৎহুনবা পোলো ক্লব অনীনা খুৎশম্নদুনা চৎলিবা থা অসিগী ২৭ তগী হৌদুনা নুমিৎ ৭ নি চুপ্পা মোর্দন কোলেজগী লম্পাক্তা শগোল থৌবা তন্বীবগী সার্টিফিকেট কোর্স অমা পাঙথোক্লগনি হায়না হেরিকোনগী মাইকৈদগী খঙহল্লক্লি।

ঙসি লমদমসিদা মণিপুর পোনি (মৈতৈ শগোল) গা ঐখোয়গী খুন্নাই অমদি পুৱারীগা করি মরী থোক্লে। কয়াম নক্লবা মরী লৈনৈ হায়বা ৱারী লাইরিক্তা খক লৈবদৌনা তৌবা নত্তনা ঙসিগী মীরোলনা খঙবীবা অমদি থওইবীবগী চাং নোংম-নোংমগী মমি শান্নক্লি।

মৈতৈ শগোলগী পুৱারী ঙসিগী মীরোলদা নৌহৌননা খঙহন্দবা য়াদে হায়বগা লোয়ননা মুৎখিগদৌরবা শগোল অসি কন্ননবগী পান্দমদা চত্থগদবা সার্টিফিকেট কোর্স অসিগীদমক কোনুং মমাংদা লৈবা হেরিকোন ওফিসতগী ফোর্ম লৌবীবা য়াগনি অমদি অকুপ্পা মরোলগীদমক ৭০০৫০ ১৫৭৭১, ৮৪১৫০ ৪৬৩৫৩ দগী খঙবীবা য়াগনি।

ঙাগী চাথোক হেনগৎহন্নবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচ এন এস) : মণিপুরদা ঙাগী চাথোক হেনগৎহন্নবগী পান্দমদা চংশিল্লকপা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা মণিপুর সেবা সমিটি, প্রেমধারা চেরিটেবল ত্রষ্ট অমদি গোদ্রেজ এগ্রোভেট কম্পনিনা ঙসি জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী বোরোবেক্রা অমদি জক্রাদোরদা শেন্দোং লৈনা ঙা য়োক্লবগী ত্রেনিং প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে।

ত্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা শরুক য়াখিবা প্রেম ধারাগী মেনেজিং ত্রষ্টি বিনন্দ খুন্দ্রাকপমনা জিরিবামদা পোৎ-চৈ পুরগা লাকপা ত্রেনশিংনা অমুক হনখিবদা মফম অসিদগী মপান লমশিংদা করি পুখিগনি হায়বা খন্থবা মতম ওইরে। ঙা য়োকপা খক্তা নত্তনা ঐখোয়গী মার্কেট সর্ভে তৌরগা ঙা য়োনবসু তঙাইফদে।

ত্রেন লন্থী শেন্থা অয়াম্বা শরুক লোইশিল্লক্লে। মফম অসিদগী করি পোৎ পুখিগদগে হায়বা ৱাখল্লোন খন্থদুনা মীপাল তাংদনবা ঐখোয়না পোথোক মরাং কায়না পুথোকপা মথৌ তারি হায়খি।

গোদ্রেজ এগ্রোভেট কম্পনিগী ষ্টেট দিষ্ট্রিব্যুটর ওইরিবা আর কে সরঞ্জয়না ফোঙদোকখিবদা ঙা ফার্ম তৌরিবা লৌমীশিংনা খুদোংচাবা লৈরবদি য়ামদ্রবদা নুমিৎ ১৫ নিগী মনুংদা পুখ্রিগী ঈশিং চাদা ১০ শিংদে দাক্কদবনি নত্রগা তুলু শিজিন্নদুনা ঈশিং অদু রোটেদ তৌহনগদবনি। মসিনা ওক্সিজেনগী চাং মরাং কায়না ঙাশিংদা ফংহন্দুনা ঙাশিং থুনা চাউবদা মতেং পাংলি।

মণিপুরগী য়ুমথোং অয়াম্বনা মখল কয়াগী ঙাশিং চানরি। অদুনা ঙামীশিংনা ঙা য়োকপদা মাঙগনি হায়বগী চিংনবা লৈবীগনু। অইংবা মতমদা ঙা চাউবগী চাং হন্থে। মরম অদুনা মতম অসিদা ঐখোয়না অচৌবা ঙাশিং য়োক্তুনা শেন্থোক হেনগৎনবা হোৎনসি হায়খি। থৌরম অদুগী লোয়শিল্লকপদা ত্রেনিশিংদা বিশ্বকর্ম য়োজনা স্কিমগী মতাংদা মীয়াম্না তৌগদবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদসু শন্দোক্লা তাকখি।

তাম্খুলদগী গাড়ী লাকপা, পৈশা খায়বগী থবক তৌখিদে

ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচ এন এস) : হৌখিবা থা অসিগী ১০ দা লম্লাইগী প্লে গ্রাউন্দদা পাঙথোকখিবা ফুটবোল গ্রাউন্দ অমা শেমগৎ শাগৎনবা প্রোজেক্ট হৌদোকপগী থৌরমদা চিফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা মণিপুর লৈঙাক্কী লুচিংবা ওইরিবা সি এম এন বিরেননা লম্লাই কেন্দ্রগী মনুং চন্না মরুওইনা ইম্ফাল উখ্রুল লম্বীদা মীতৈ ফুরুপনা তাম্খুল ইচিল-ইনাওশিংদগী গাড়ী লাকপা, পৈশা খায়বগী থবক চত্থরে হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদু য়ুম্ফম য়াওদবা অরানবা ৱাফমনি।

কেন্দ্র অসিদা লৈবা লূপ অমত্তনা অসিগুম্বা থবক অসি চত্থখিবা লৈতে হায়না লম্লাই কেন্দ্র ভিলেজ ভলন্টিয়র ফোর্স (এল কে ভি ভি এফ) কী কম্মান্দর ইন চিফনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা মণিপুরদা লৈরিবা কনাগুম্বা লূপ নত্রগা লম্নাইমীওইশিংনা কেন্দ্র অসিগী মনুংদা শেনখায় থুমখাইগী থবক অমত্ত তৌবা য়ারোই। কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং এল কে ভি ভি এফতা পাউ পীবীয়ু হায়রি।

ৱর্ল্ড গ্লোকোমাগী নুমিৎ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচ এন এস) : ঙসি তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা পাঙথোক্লবগুম নেসনেল প্রোগ্রাম ফোর কন্ত্রোল ওফ ব্লাইন্দনেস এন্দ ভিজুয়েল এম্পয়রমেন্ট থৌবাল অমদি দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল থৌবালগী আই দিপার্টমেন্ট অনিনা শিন্দুনা 'ৱর্ল্ড গ্লোকোমা দে ২০২৪' গী থৌরম ঙসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা এন পি সি বি থৌবালগী নোদল ওফিসার ওইরিবী আই স্পিসিয়েলিষ্ট বিরবালা ওক্রমনা রিছোর্স পার্সন ওইনা গ্লোকোমাগী মতাংদা ৱা ঙাঙখি। থৌরম অসিদা অথোইবা মীথুংগী ৱারোল পীরদুনা থৌবালগী দিপ্যুটি কম্মিস্নার এ সুভাসনা হায়, মীৎ হায়বসি মীওইবদা য়াম্না মরুওইবা অমনি। মসিবু চেকশিন্না য়েংশিনবা হায়বসি মীওইবা ঐখোয় খুদিংমক্কী তঙাইফদবনি। দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল অসিদা ঙৌদোংতা নত্তনা গ্লোকোমা য়েংননবা দোক্তর অমদি মতিক চাবা খুৎলাই লৈরে। মীয়াম্না মতম চানা অদোম অদোমগী মীৎশিং য়েংদোকপীদুনা মীৎ উদবদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনসি হায়খি।

ঈ ভি এমগী মাষ্টর ত্রেনরশিংগী অহানবা রাউন্দগী ত্রেনিং হৌখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচ এন এস) : থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী দি সি কমপ্লেক্সতা লৈবা কাউন্টিং হোলদা লাক্কদৌরিবা লোক সভা ইলেক্সন ২০২৪ গা মরী লৈননা থবক থৌরমশিং পাঙথোক্কদৌরিবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী খনখ্রবা সিভিল অমসুং পুলিস ওফিসারশিং অমদি তোঙান তোঙানবা টিমশিংগী নুমিৎ ৪ নি চত্থগদবা অহানবা রাউন্দগী ত্রেনিং ঙসি হৌদোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসার থৌবালনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা ইলেক্সন এক্সপেন্দিচর মোনিটরিং (ই ই এম) টিম অমসুং ঈ ভি এম মাষ্টর ত্রেনরশিংগী ত্রেনিং প্রোগ্রাম অদুগী ঙসি অহানবা হৌদোকপদা ফ্লাইয়িং স্কৱাদ টিমগী সিভিল অমসুং পুলিস সেক্টর ওফিসারশিংগী ওইনা পাঙথোকখি।

ত্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা থৌবালগী এ দি এম, বি লোকেশ্বর, ৩২-ৱাংখেম এ সি অমসুং ৩৫-খাঙবোক এ সিগী এ আর ও ওইরিবা থৌবালগী এস দি ও, ই ই এমগী নোদল ওফিসার ওইরিবা থৌবালগী ত্রেজরি ওফিসার অমসুং লো এন্দ ওর্দর, ঈ ভি এম অমসুং দিষ্ট্রিক্ট সিক্যুরিটি প্লানগী নোদল ওফিসারনা রিছোর্স পার্সন ওইনা ৱা ঙাঙখি।

ই ই এমগীদমক খনখ্রবা ফ্লাইয়িং স্কৱাদ টিমগী সিভিল অমসুং পুলিস ওফিসারশিংগী টিম লিদর অমসুং ওফিসারশিং, ষ্টেটিক্স এন্দ সর্ভিলেন্স টিম, ভিদিও সর্ভিলেন্স টিমগী ওফিসার, ওফিসিয়েলশিং, ভিদিও ভিয়ুয়িং টিম অমসুং একাউন্টিং টিমনা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা শরুক য়াখি।

ডোক্তর অমদি নর্স মীট পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচ এন এস) : বি জে পি মণিপুর প্রদেশনা শিন্দুনা ঙসি হোটেল ক্লসিক গ্রান্দদা য়োর দ্রিমস, য়োর ভিজন, য়োর মেনিফেষ্টো হায়বা থিমদা ডোক্তর অমদি নর্স মীট কী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মণিপুর লৈঙাক্কী হেল্থ মিনিষ্টর ডো. সাপম রঞ্জন, লোক্তাক দিভলপমেন্ট ওথোরিটিগী চিয়রমেন এম অস্নিকুমার অমদি তোঙান তোঙানবা মরুওইবা মীওইশিংনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা মিনিষ্টর সাপম রঞ্জননা ফোঙদোকখিবদা বি জে পি অসি তোপ-তোপ্পা মখল অমগী পার্টিনি। সেন্টর অমদি ষ্টেটতা পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা মীয়ামগী অনিংবা অপান্বা মতুং ইন্না থবক পায়খৎলি।

মীয়াম্না পাঙথোকহন্নিংবা থবক থৌরম কয়া মেনিফেষ্টোদা হাপ্তুনা থবক ওইনা পাঙথোক্লবা হোৎনগনি। মীয়াম্নসু লৈঙাক অসিদা থাজবা থম্বীয়ু হায়খি।

[illegible]

[illegible]

মীয়াম পুন্না থেংনমিন্নসি ঃ মহেশ্বর

ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচ এন এস) : কুমজা ১৯৫১ দা বেজ ইয়র ওইদুনা এন আর সি মপুং ফানা চৎনহন্নবা লৈঙাক অমদি মীয়াম পুন্না লেপমিন্নগদবনি। মদুতদা মীতোপ খন্দোকপা ঙমগনি হায়না আর পি আই অথৱালেগী নেসনেল জেনরেল সেক্রেটরি মহেশ্বর থৌনাওজমনা ফোঙদোকখ্রে।

মহেশ্বর থৌনাওজমনা লেপ্তুনা চত্থরকখিবা মীয়াম অমত্তা ওইনা পুনশিনবগী খোঙজংগী মনুং চন্না অয়াং পল্লি, পোরোম্পাৎ থৱান থাবা লৈকায়, লিলোং চজিং, খা সঞ্জেনবম, কোন্থৌজম, চরাংপাৎনচিংবা মফমশিংদা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী থৌরমশিংদা ৱাফম অসি মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না ফোঙদোকখিবদা ম্যান্মারগা মণিপুরগা লোন্নবা মফমশিংদা এফ এম আর চৎনরল্লিবা অসি কুমজা ১৯৫০ দগী হৌরগা ২০০৪ ফাওবদি কিলোমিটর ৪০ চংবা য়াবগী অয়াবা পীরম্মী মদুগী মতুং কিলোমিটর ১৬ তা হন্থহনখিবনি। মরম অদুনা এন আর সিগী বেজ ইয়র অসি কুমজা ১৯৫১ ওইগদবনি।

থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচ এন এস) : মণিপুর বিল্ডিং এন্দ অদর কন্সত্রক্সন ৱার্কর্স ৱেলফেয়র বোর্দনা শিন্দুনা হাপ্তা কাংজেবুংদা মেগা এৱার্নেস প্রোগ্রাম অমদা এজুকেসন বিনিফিটকীদমক কুমজা ২০২১ দা থাগৎলকপা কার্দ হোল্ডর লিশীং ২০ গী শেনফম কায়থোক্তুনা ফংহল্লগনি হায়না লাউথোকখিববু দি ভেলি এন্দ হিল লেবর য়ুনিয়নগী মাইকৈদগী থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা য়ুনিয়ন অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মখা তারকপা চহীশিংদসু মতম চানা নিয়ম চুন্না থবক পায়খৎপীগনি হায়বগী থাজবা থম্লক্লি। লৈবাক্কী লুরবা মতম অসিদা লেবরশিংগী অৱাবা খঙবীদুনা পায়খৎপীরক্লিবা থবক অসিদা অপেনবা ফোঙদোরক্লি।

[illegible]/EMPLOYMENT NEWS

1. Haryana Police Recruitment 2024 Apply Online for 6000 Constable Vacancies

Haryana Constable Recruitment 2024 Apply Online @ adv012024.hryssc.com: The Haryana Staff Selection Commission (HSSC) Panchkula invites online applications for direct recruitment to 6000 posts in the Police department through the Common Entrance Test (CET) for Group-C qualified candidates, as per Advertisement No. 1/2024. Online registration for the Haryana Police Constable Vacancy 2024.

* For technical assistance, candidates may contact the Help Desk at 18005728997 (available on all working days from 10 AM to 5 PM) or email at **hssc012024@gmail.com**. The deadline for online application registration is **21/03/2024** (Thursday).

Apply Link : https://adv012024.hryssc.com/hssc/employeeOnboardingHomepage

2. SSC Sub Inspector Recruitment 2024 Apply Online 4187 Vacancies

SSC SI Delhi Police CAPF Recruitment 2024 Notification Pdf, Online Application available from 4th March 2024 @ ssc.gov.in: The Staff Selection Commission (SSC) will conduct Open Competitive Examination for recruitment of Sub Inspector (SI) in Delhi Police and Central Armed Police Forces (CAPFs). The SSC SI in Delhi Police & CAPFs Online Form 2024 start from 4th March 2024 to 28th March 2024.

Eligible candidates must apply online through the SSC Official Website (ssc.gov.in). Visit the newly launched SSC official website at **ssc.gov.in**, then click on the "Apply" button in the Quick Links Category.

The last date for the registration of online applications is **28/03/2024** (Thursday) up to 23:00 Hours.

3. SSC Selection Post Phase 12 Notification 2024 [2049 Vacancies] Apply Online ssc.gov.in

The SSC Selection Post Phase 12 Notification PDF for 2024 has been released on 26th February 2024, following the launch of the new SSC Commission official website ssc.gov.in. In this year, a total of 2029 selection posts are to be filled in various departments of the Central Government. The final vacancies for SSC Selection Posts 12 will be released by user Ministries/Departments/Organizations before the declaration of the final result.

Interested Indian citizens can apply online only at the new official website of SSC, named **ssc.gov.in**, starting from the month of February. The SSC Phase XII 2024 offers 2000+ vacancies for Matric, 10+2 pass, higher secondary, and any degree holders. The last date for the submission of the SSC Selection Posts 2024 (Advertisement No. Phase-XII/2024/Selection Posts) online application is **18th March 2024**.

4. ESIC Nursing Officer Recruitment 2024 (1930 Posts), Apply Online, Notification

UPSC Advertisement No. 52/2024 for selection of 1930 Nursing Officer Vacancies in ESIC. Union Public Service Commission (UPSC) invites online applications from eligible Indian Citizens for direct recruitment by selection of Nursing Officer in Employees State Insurance Corporation (ESIC), Ministry of Labour and Employment. The ESIC Nursing Officer Vacancy 2024 Online Registration will be made through UPSC Online Portal (**upsconline.nic.in**) from 7th March 2024. The last date for registration of online applications is **27th March 2024**.

5. OSSSC CRE Recruitment 2024 Apply Online, Notification | 2895 Vacancies

OSSSC CRE Notification 2024 for RI, ARI, Amin, Supervisor, and SFS Posts, Online Apply @ **osssc.gov.in**: The Odisha Subordinate Staff Selection Commission (OSSSC), Bhubaneswar, invites online applications for the Combined Recruitment Examination - 2023 (IV). This examination is for district cadre posts, including Revenue Inspector, Supervisor, Assistant Revenue Inspector, Amin, and Statistical Field Surveyor, across various district establishments under different departments of the Government of Odisha. The last date for the registration of online applications is 25th January 2024. The last date for online registration of OSSSC CRE IV 2024, with the submission of applications, has been extended to **20th March 2024**.

CROSSWORD-4080



ACROSS

1. Abstain from eating(4)
3. Entreated(8)
9. Erased(7)
10. Wonderful(5)
11. Venomous snake(5)
12. High-pitched and piercing(6)
14. Reply(6)
16. German emperor(6)
19. Entirely(6)
21. Moroccan capital(5)
24. Unrehearsed(2,3)
25. Transgression(7)
26. Innocuous(8)
27. Egyptian goddess(4)

DOWN

1. Disappear gradually(4,4)
2. Substantial(5)
4. Fashionable(6)
5. Defeated contestant(5)
6. Small waves(7)
7. Communal bedroom(4)
8. Die of hunger(6)
13. Male siblings(8)
15. Student(7)
17. Loose from moorings(6)
18. Stockings(6)
20. Tag(5)
22. Proclamation of intended marriage-(5)
23. Ready money(4)

Solution of 4141

P	A	L	A	C	E	S	■	P	O	T	T	Y
A	■	U	■	O	■	Q	■	O	■	H	■	A
T	I	G	E	R	■	U	M	P	T	E	E	N
E	■	E	■	D	■	A	■	E	■	R	■	K
L	O	R	R	I	E	S	■	S	L	A	Y	S
L	■	■	■	A	■	H	■	■	■	P	■	■
A	G	E	O	L	D	■	C	R	A	Y	O	N
■	■	X	■	■	■	C	■	E	■	■	■	U
T	E	P	I	D	■	H	A	N	G	M	A	N
I	■	L	■	R	■	E	■	A	■	E	■	N
F	R	A	G	I	L	E	■	U	S	A	G	E
F	■	I	■	E	■	R	■	L	■	L	■	R
S	Y	N	O	D	■	S	A	T	I	S	F	Y

HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-5440

				4			6	7
			8	7		5		
		4	6				8	
3				6	4	7		
	1	5				3	4	
		7	9	1				5
	5				6	4		
		3		8	7			
6	7			9				

Solution of 5439

3	7	4	6	8	1	2	5	9
6	2	5	4	7	9	1	3	8
8	9	1	5	3	2	7	6	4
1	3	7	2	9	8	5	4	6
4	6	8	3	5	7	9	1	2
9	5	2	1	6	4	3	8	7
7	8	3	9	1	6	4	2	5
5	4	9	8	2	3	6	7	1
2	1	6	7	4	5	8	9	3

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9 Every row must contain the numbers from 1 through 9 Every column must contain the numbers from 1 through 9 Every 3x3 square must contain the numbers


CONCEPT TUTORIAL
THANGMEIBAND MEISNAM LEIKAI OPP THAU GROUND
THE BEST COACHING INSTITUTE IN IMPHAL SINCE 2015
CLASS 9 & 10
CBSE
18TH MARCH & 1ST APRIL 2024
CLASS 11 & 12
CBSE & COHSEM
1ST APRIL 2024
SUBJECT TOPPER SCIENCE 100/100
T. SYLVIA 96.2%
HENRY KH 96.6%
OLIVIA R.K 91.8%
CLASS TIMING 4:45 - 8:15 PM
SEPARATE HOSTEL AVAILABLE FOR BOTH BOYS & GIRLS. VAN SERVICE AVAILABLE WITH AFFORDABLE FEES.
FOR MORE DETAILS PLEASE CALL 8794728538 / 8794303740
HL-P/9730/26 - 31 Mar to 6 Apr_Alt.


[illegible]
ৱারী মমিং :
নুমিৎ কাপ্পা
পুয়া ৱারী লীবশিংগী ৱারীদা য়ুম্ফম ওইরগা
য়েকথোকপা :
সেমসন সলাম
অঙাং অনিসিগা ঐবু করম্না হিংগনী, ঐগী নুপীসে পঙঙিদকো।
হে লাইরবা নঙগী মপোকসে তোল্লিদকো।
শোমদনা নিংথৌ মচিন-মনাওদু নুজেং পিবাগী মরমদা খন্নদুনা লৈরম্মী।